# সব জুনিয়র ৱিমেন নেশনল হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপকী দিভিজন ৱিন্নর তরাম্না ওকখ্রে




**ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস):** হন্দক্তা ঝরখন্দনা যুম্মু ওইদুনা রাখ্ঙিদা পাঙথোকখিবা ১৫ রকশুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র ৱিমেন নেশনল হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী দিভিজন বিদা টিম ৱিন্নর ওইবা ঙম্লকখ্রবা মণিপুর হোক্কি ৱিমেন্স টিমগী শান্নরোয়শিং ঙসি মণিপুর হোক্কিনা তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

দিভিজন বিগী পুল এদা মণিপুর হোক্কি ৱিমেন্স টিমনা লিগ মেটচ ৪ মক মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা ওইনা দিভিজন এদা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমদুনা পুৱারী শেম্বা ঙমখ্রে।

ঙসি মণিপুর হোক্কি সব জুনিয়র ৱিমেন্স টিমনা ইম্ফাল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা থুংলখিবগা মণিপুর হোক্কিগী মরুওইবা থৌমিশিংগা লোয়ননা মীয়াম্না টিম অদুদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংবু লৈ পরেং হুক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা হোক্কি ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্র নিংঙোম্বমনা হায়, মণিপুর হোক্কিগী সব জুনিয়র ৱিমেন্স টিমনা লিগ মেটচ ৪ মক্তা চাওনা মায় পাক্তুনা অহানবা ওইনা নেশনল চেম্পিয়ন্সিপকী দিভিজন এদা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙম্লকপসি ষ্টেট অসিগী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর হোক্কিনা হন্দক্কী নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী দিভিজন বিদা চাওনা মায় পাকপা ঙম্লকখিবা অসিগুম্না মথংগী দিভিজন এদসু মায় পাকপা ঙমদুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

মণিপুরগী সব জুনিয়র ৱিমেন টিমনা হন্দক্কী নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা উৎখিবা হৈশিংবশিং পুক্নিং পেন্নিংঙাই ওই। তুংদা লাক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ কয়াদসু হৌরক্লিবা মণিপুরগী হোক্কি শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্লা শরুক য়ানবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুর হোক্কি সব জুনিয়র ৱিমেন্স টিম তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর হোক্কিগী প্রসিদেন্ট খোইরোম লোয়ালাকপা, হান্নগী প্রসিদেন্ট ডা. বাসুদেব অমদি মণিপুর হোক্কিগী মরুওইবা থৌমি কয়াসু শরুক য়াখি।

# অসুফি এফ এ অমসুং কে আই এম ৱাই সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা চথরিবা ২শুবা প্রেমিয়র লিগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচতা অসুফি এফ এনা য়ুথ সোসল ৱেলফ্যের এসোসিএশন (ৱাই এস দব্লিয়ু এ) অদুগা ক্ষেত্রি ইরিল মপান য়ুথ ক্লব (কে আই এম ৱাই সী)না য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ সী মায়থীবা পীখ্রে।

আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা অসুফি এফ এ অমসুং ৱাই এস দব্লিয়ু এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙম্লবসু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা অসুফি এফ এনা পাঞ্জল ৩-২দা ৱাই এস দব্লিয়ু এবু মায়থীবা পীখ্রে। অসুফি এফ এগী পাঞ্জলশিং অদু মথানমি মিংসেন, এম দি নৱাজ শরিফ অমসুং দব্লিয়ু জোননা অমমম চনখিবনি।

অমরোমদা, কে আই এম ৱাই সী অমসুং য়ু সী এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনসু হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা কে আই এম ৱাই সীনা য়ু সী এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# কুমারজিৎ মৈতৈনা মেদল অহুম লৌবা ঙম্লকপদা এ এম বি বি এনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস):** য়ু এস এগী বর্মিংহমদা মমাঙ থাগী ২৭তগী হৌরগা থা অসিগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফায়র গেম ২০২৫দা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন (এ এফ বি বি এ)দা রেজিষ্টার তৌবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী)গী লৈশাংথেম কুমারজিৎ মৈতৈনা পুন্না মেদল অহুম লৌবা ঙম্লকখিবা অদুবু ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিএশনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।


য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা

হীরম অসিগা মরী লৈননা এ এফ বি বি এগী জেনরেল সেক্রেটরি হায়, পাঙথোকখিবা গেমস অসিদা লৈশাংথেম কুমারজিৎ মৈতৈনা সিলভর মেদল অনী অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুন্না মেদল অহুম লৌবা ঙমখিবনি।

লৈশাংথেম কুমারজিৎ মৈতৈনা বোডি বিল্ডরগী মাষ্টর (চহী ৫০)গী কেজি ৯০গী কেটাগরিদা সিলভর মেদল, স্পোর্টস ফিজিককী মাষ্টর (চহী ৫০)গী কেজি ৯০গী কেটাগরিদা সিলভর অদুগা আর্ম রেষ্টলিং মাষ্টর (চহী ৫০)গী কেজি ৯০গী কেটাগরিদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


## VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS

- # 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
- # State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
- # Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজৈ।
- # 2 Wheeler used vehicles exchange কী খূদোংচাবসু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916


HL-B/9607/10







## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1529**

**WGM Ravi Rakshitta (2324) - FM Benik Agasarov (2414)**
**25th Dubai Open A 2025 Dubai UAE, 2025.06.01**

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 e6 4.O-O Nge7 5.Re1 Nd4 6.Bf1 Nxf3+ 7.Qxf3 Nc6 8.Qg3 g6 9.c3 Bg7 10.d3 O-O 11.Nd2 d6 12.Nf3 e5 13.d4 exd4 14.cxd4 Nxd4 15.Nxd4 Bxd4 16.Bf4 Re8 17.Bxd6 Qb6 18.Rab1 Be6 19.b3 Qc6 20.h4 Rad8 21.e5 b5 22.h5 Bf5 23.Rbc1 Re6 24.Qh4 Rc8 25.b4 Qd5 26.Red1 Qa8 27.h6 f6 28.bxc5 fxe5 29.Bxb5 g5 30.Qxg5+ Rg6 31.Bc4+ Kh8 32. ...

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1528 Solution :**

**24. Ne8+** *The white knight attacks Black's king, which is defending the square g7.* **Kg5 25.Rg7+** *The white rook attacks Black's king, which is defending the square f6.* **Kxh5 26.Nf6+ Kh4 27.Rg4#** *Arabian mate*
**1-0**


মিনিষ্ট্রী ওফ এগ্রীকলচর এন্ড ফার্মরস ৱেলফেয়র,
গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

"অঈং-অশাগী খুদোংথিবদগী ঐখোয়গী থবক নোম্বা কল্লবা লৌমী ইচিন-ইনাউ অমসুং ইচল-ইচেশিংগী স্বার্থবু ঙাক্তুনা থম্বদা প্রধান মন্ত্রী ফসল বিমা যোজনা অসি য়াম্নমক কান্নরবা ওইনা থোক্লী। লৌমী ক্রোর কয়ানা মসিগী কান্নবশিং ফংলী।"
— নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী





মায়পাক্লবা লৌউ-শিংউগী খুদম অমা ওইহনবীয়ু

মহৈ-মরোংগী ইন্সুরেন্স য়াউবীয়ু সিক্যুরিটীগী চুঙ্গোয় অমা ফংবীয়ু

প্রধান মন্ত্রী ফসল বিমা যোজনাগী মায়পাক্লবা পান্দমশিং

- লৌমী ইচিল-ইনাউ ক্রোর 23+ না ক্রোপ ইন্সুরেন্সকী কান্নবা ফংখ্রে।
- লৌমীশিংদা ক্রোর লাখ ₹ 1.75 + হেনবগী ক্লেমগী শেনফম ফংহনখ্রে।
- লৌমী ক্রোর 78+ হেনবদগী এপ্লিকেসনশিং ফংখি।
- নেসনেল ক্রোপ ইন্সুরেন্স পোর্টেলগী খুথাংদা মনুং-মপান নাইদবা অমদি মতম চঙদবা ক্লেম পেমেন্ট

রেজিষ্ট্রেসনগী অরোইবা তাং: জুলাই 31, 2025




নেসনরাইদ হেল্পলাইন 14447

প্রধান মন্ত্রী
ফসল বীমা যোজনা

ইন্সুরেন্স পার্টনর AIC Chola MS FUTURE GENERALI HDFC ERGO ICICI Lombard Kshema Oriental Insurance RELIANCE GENERAL INSURANCE SBI general Universal Sompo General Insurance

অদোমগী মহৈ-মরোং ইন্স্যুর তৌনবগীদমক্তা ঙসিমক ঐখোয়দা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

পব্লিক সর্ভিস সেন্টর | ক্রোপ ইন্সুরেন্স এপ https://play.google.com | পোষ্ট ওফিস | বেঙ্ক ব্রাঞ্চ | @PMFBY

স্কীমগী মতাংদা অহেনবা মরোলগীদমক্তা ক্যু.আর কোদ স্কেন তৌবীয়ু।

HL-B/9697/10


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com